## বি জে পিগী এম পি অমনা পুলিসতা থ্রেটন তৌখ্রে

জয়পুর, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
রাজস্থানদা বি জে পি লো মেকর অমনা মহাক্কী সপোর্টর খরা পুলিসনা কৌদুনা ৱাহং পাউহং চখ্থিবা অদুগী অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা পুলিস পর্সনলশিংদা থ্রিটন তৌখ্রে হায়রি।

রিপোর্টশিংগী মতুংইন্না নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক অমগা মরী লৈননা মীওই খরা ৱাহং পাউহং চখ্থনবগীদমক পুলিসনা কৌখি। মতম অদুদা বি জে পিগী এম পি বাবা বালকনাথ অমসুং সপোর্টরশিংগা লোয়ননা পুলিস ষ্টেসন অদু তম্না লাকপদা লম্বীদা বেরিকেদ শীজিন্নদুনা থিংদুনা থমখি। পুলিস ষ্টেসনদা মহাক চঙবদা অথিংবা থমখিবা অদুবু য়ানিংদবা অমদি পেদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা এম পি অসিনা মফমদুদা লৈরম্বা পুলিস ওফিসর অমদা থ্রিটন তৌখিবনি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ভিদিও অমা সোসল মেদিয়াদা ভাইরেল ওইরকখি। ভিদিও অদুদা এম পি অসিনা পি এস অদুগী দি এস পি অনন্দ রাওদা থিনা চৈখিবগা লোয়ননা কোংগ্রেসকী মতম লোয়শিল্লক্কদবা থা ৯ খক্তা ঙাইরে মদুগী মতুংদা ঐনা নখোয়বু করি তৌবগে য়েংঙু। মহাকপু অথিংবা পীখিবা পুলিস পর্সনল অদুগী মথক্তা মহাক্না শোয়দনা চৈরাক পীগনি হায়না ফোঙদোকপা ভিদিও অদুদা মীয়াম্না উখি।

## রেপ কেসকা মরী লৈননা এম এল এগী মচানুপা ফারে

জয়পুর, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
হৌখিবা কুমজা ২০২১ গী ফেব্রুৱারী থাদা মশাগী চহী ১৫ রোম শুরবী নুপীমচা অমা গেং রেপ চখ্থিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা ঙসি রাজস্থান কোংগ্রেসকী এম এল এ অমগী মচানুপা পুলিসনা ফারে হায়রি।

পুলিসনা ফারবা কোংগ্রেস এম এল এগী মচানুপা অদুগী মমিং দিপক এলাইস দিলিপ মিনা কৌই। কুমজা ২০২১ দা থোকখিবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা মীওই ২ দি ঙল্লিঙৈ মতমদা পুলিসনা ফাখ্রে। অদুবু দিপকতি ফাবা ঙমদনা লাকখিবনি। পোক্সো এক্টকী মখাদা কোর্টনা পীখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না ঙসি দিপক পুলিসনা ফাখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৩ ফাওবা জুদিসিএল কষ্টদিদা থাজিনখ্রে হায়না মহুৱা পুলিস ষ্টেসনগী এস এচ ও জিতেন্দ্র সোলনকিনা ফোঙদোরক্লি। পনবা য়াবদি কুমজা ২০২১ দা থোকখিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা কুমজা ২০২২ গী মার্চ থাদা মন্দৱার পুলিস ষ্টেসননা গেং রেপকী কেস অমা রেজিষ্টর তৌদুনা থিজিনবগী থবক চখ্থদুনা লাকখিবনি হায়রি।

## মরাল শীরকপা খুদিংমক মরাল লৈরে হায়বা য়ারোই

চান্দিগর, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
কনাগুম্বা মীওই অমনা অতোপ্পা মীওই অমগী মথক্তা মরাল লৈরে হায়না চার্জ তৌরক্লবসু কোর্টকী অরোইবা ৱারেপ অমা লাক্ত্রিবা ফাওবা মীওই অদুবু ঐখোয়না মরাল লৈরে হায়বা য়ারোই অমদি মসিগী ৱারেপ অসি ঐখোয়না হেক্তা লৌগদবা নত্তে হায়না হরিয়ানাগী চীফ মিনিষ্টর মনোহার লাল খাটরনা ফোঙদোরক্লি।

হরিয়ানাগী মিনিষ্টর সন্দিপ সিংহগী মথক্তা সেকুচুএল হরাসমেন্টগা মরী লৈননা কেস অমা রেজিষ্টর তৌরকখ্রে। অদুবু মহাক্কী মথক্তা চার্জ তৌরক্লিবা অসিগী চপ চাবা খুদম পুথোকপা ঙমদ্রি। মরম অদুনা মহাক মরাল লৈবা মীওইনি হায়বা য়ারোই হায়রি।

## আম আদমি পার্টি অমসুং বি জে পিগী থৌমীশিংনা দেল্লিগী লম্বীশিংদা খোঙজং চঙশিনখ্রে



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
দেল্লি এম সী দিগী ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা মেয়র অমদি অতোপ্পা থৌপুগদবশিং খনবগী ইলেক্সনগা মরী লৈননা এ এ পি অমসুং বি জে পি পার্টি অনীগী মরক্তা মুক্নবগী চাং হেনগৎলকখিবগা লোয়ননা ঙসি পার্টি অনীমক্না ৱাকৎ মীফম য়াওনা তোঙান তোঙানবা খোঙজংশিং চঙশিন্নখ্রে।

দেল্লি মেয়র খনবগী মীখলগা মরী লৈননা এ এ পিগী থৌমীশিংনা ঙসি বি জে পি হেদক্কার্টরগী মমাঙদা প্রোটেষ্ট তৌখি। অমরোমদনা, বি জে পিগী থৌমীশিংনা এ এ পিগী সুপ্রিমোসু ওইরিবা চীফ মিনিষ্টর আর্বিন্দ কেজ্রিৱালগী ওফিসল রেসিদেন্সদা থোমজিন্নবা হোৎনখি। লৈবাক অসিগী কোনুং দেল্লিগী অনৌবা মেয়র খন্নবগীদমক পাঙথোকখিবা মীফম অমগী মতুংদা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোরকখিবনি। পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা বি জে পি অমসুং এ এ পিগী কাউন্সিল্লরশিংগী মরক্তা অমনা অমবু হুন্দুনা ঙাংবা অমদি মরৈ য়েৎনবগী থৌদোকশিংসু থোকখি। ইরাই নুমিৎতা থোকখিবা থৌদোক অদুদা নাকল অনীমক্কী কাউন্সিল্লরশিং অশোক অপন নঙখি হায়না পার্টি অনীমক্না ক্লেম তৌরক্লি। মমাঙ চহীগী দিসেম্বর থাদা পাঙথোকখিবা ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন ওফ দেল্লিগী সিট ২৫০ লৈবা মীখল অদুদা এ এ পিনা সিট ১৩৪ ফংদুনা চাওনা মায় পাকপা ঙমখি। অদুগা বি জে পিনা সিট ১০৪ ফংদুনা মায়থিবা নঙহৌখিবনি। এ এ পিনা দেল্লি এম সী দিগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা পোষ্ট মেয়রগীদমক মখোয়গী কাউন্সিল্লর সেলি ওবেরোইগী মমিং থাগৎলকখি। অদুগা দিপ্যুটি মেয়রগী ওইনা অসু থাকুরগী মমিং থাগৎলকখিবনি। অমরোমদা, তোপ পোষ্ট অসিগীদমক বি জে পিনা মখোয়গী কাউন্সিল্লর রেখা গুপ্তগী মমিং থাগৎলকখি। পাঙথোক্কদৌরিবা মেয়র খনবগী ইলেক্সন অসিদা বি জে পিগী লোক সভা এম পি ৭, এ এ পিগী রাজ্য সভাগী মেম্বর ৩ অমসুং দেল্লি স্পিকরনা নোমিনেট তৌবা এম এল এ ১৪ না শরুক য়াগনি। মীখল অসিদা কাউন্সিল্লর ৯ মায় পাকখিবা কোংগ্রেস পার্টিগী ওইনদি শরুক য়ারোই অমদি ভোট থাদরোই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অমরোমদা, দেল্লিগী লেফটনেন্ট গভর্ণর ভি কে সক্সেনানা মীখল অসিগীদমক মেম্বর ১০ নোমিনেট তৌনবা হোৎনরকপদগী পার্টি অনীগী মরক্তা উংখৎনবা হৌরকখিবনি হায়রি।

## ইন্টরনেসনল দ্রগ সিন্দিকেটকী মেম্বর ১৬ লুধিয়ানাদগী ফাবা ঙমখ্রে



লুধিয়ানা, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
হৌখিবা থা অমা মখাইরোম অসিদা পঞ্জাবকী লুধিয়ানাদা চখ্থিবা থিহুন্বগী থবক থৌরমশিংদা নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোনা ইন্টরনেসনল দ্রগ সিন্দিকেট অমগী মেম্বর ১৬ ফাবা ঙমখ্রে হায়না ঙসি ক্লেম তৌরকখ্রে।

নার্কোটিক্স কন্ট্রোল ব্যুরোগী দিপ্যুটি দিরেক্টর জেনরেল (নোর্থন রিজন) গ্যানেশ্বর সিংহনা ফোঙদোরকখিবদা এন সী বিনা লুধিয়ানাদগী ফাখ্রবা সিন্দিকেট মেম্বর ১৬ অদুগী মনুংদা অনীদি অফগান নেসনলনি। মখোয়দগী অথিংবা থমখ্রবা পোৎলম কয়াগা লোয়ননা খুৎশু খুৎলায় খরসু ফাগৎপা ঙমখ্রে। মমাঙ চহীদা এন সী বিনা দেল্লিগী সাহিন বাঘ (দেল্লি) অমসুং মুজফরনগর (উত্তর প্রদেশ) তগী য়াল্লবা দ্রগশিং ফাবা ঙমখ্রবা মতুং এন সী বিনা হৌখিবা থা অনী মখাইরোম অসিদা তোঙান তোঙানবা চিংনবা মফমশিংদা থিহুন্বগী থবক চখ্থদুনা লাকখিবনি। মমাঙ চহীগী নভেম্বর থাদা চান্দিগরগী ফেদরেল এন্টি নার্কোটিক্স এজেন্সীগী জোনেল ব্যুরোনা লুধিয়ানাদা অফগান কেমিষ্ট অনীনা চল্লাইবা হিরোইন শুংফম অনী থুগায়বা ঙমখ্রবা মতুং সিটি অসিদা অহেনবা মিৎয়েং চঙদুনা এন সী বিনা থবক তৌরকখিবনি। এন সী বিনা ফাবা ঙমখ্রবা মীওই ১৬ অসি তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা দ্রগ লল্লোনবগী থবকশিংদা চেন্নবা ঙাক্তনি। ইন্টরনেসনল দ্রগ সিন্দিকেট অসিনা মরুওইনা ইন্দিয়া য়াওনা অফগানিস্থান, পাকিস্থান অমসুং অতোপ্পা লৈবাকশিংদা ওপরেট তৌরি। লুধিয়ানা গ্রুপতা লৈরিবা দ্রগ সিন্দিকেট অসিগী বেঙ্ক একাউন্ট ৬০ হেন্না লৈরম্বা থেংনখ্রে। বেঙ্ক একাউন্টশিং অদু নার্কোটিক দ্রগস এন্দ সাইকোট্রোপিক সবষ্টেন্সেস এক্টকী মখাদা ফ্রিজ তৌশিনখ্রে। থা অমা মখাইরোম অসিদা এন সী বিনা হিরোইন কিলোগ্রাম ৬০ অমদি নোংমৈ মরু ৩১ মীওই ১৬ অসিদগী ফাগৎপা ঙমখিবনি। সিন্দিকেট অসিগী মেম্বরশিংনা লৈশিল্লম্বা লম ৩০ শু মশক খঙদোকখিবগা লোয়ননা প্রোপর্টিশিং অসি অথুবা মতমদা ফ্রিজ তৌশিন্নবা থবক পায়খৎলগনি হায়রি।

## খুৎলায় পায়বা হুরানবশিংগা খুৎ থোক্লবদা পুলিস কন্সটেবল অমা শিরে



ফগৱারা, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
ঙসি অয়ুক খুৎলায় পায়বা হুরানবশিংগা মায়োক্নবগী থৌদোক অমদা তিক তোক ভিদিও মেকর অমসু ওইরিবা পঞ্জাবকী পুলিস কন্সটেবল অমা নোংমৈনা পান্দুনা শিখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

লাইবক থিবা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফগৱারা দিষ্ট্রিক্টকী দি এস পি জসপ্রিট সিংহনা ফোঙদোকখিবদা মশাগী চহী ২৮ লোম শুরবা কন্সটেবল কুলদিপ সিংহ ঙরাং নুমিদাং মহাক্কী দ্যুটি পুলিস ষ্টেসনদা তাখি। দ্যুটি লোইরগা মহাক্না ময়ুমদা হনখিবগী লম্বীদা লাইবক থিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। মহাক্না ময়ুমদা হনখিবগী লম্বীদা খুৎলায় পায়বা মীওই মরিনা লম্বীদগী কার অমা লাক্তুনা চেন্নবা হোৎনখি। মদু উবদগী খুদক্তা মহাক্না পুলিস ষ্টেসনদা ফোন তৌদুনা খঙহল্লকখিবনি। মহাক্কী ফোন লাকপগা পুলিসকী টিম অমা থৌদোক থোকফম মায়কৈদা চঙশিনখি। পুলিস টিম য়ৌরকপা ঙাইদনা কুলদিপ সিংহনা হুরানবশিং অদুবু তান্নখি। মদুদা খুৎলায় পায়বা হুরানবশিং অদুনা নোংমৈ কাপথোরকখিবনি। পুলিস টিম অদুনা মফম অদু য়ৌশিনখিবগা লোয়ননা হুরানবশিং অদু তম্না নোংমৈ কাপখি। অদুবু মখোয়না মফমদু য়ৌশিনখিবা মতমদা কুলদিপ সিংহ নোংমৈনা পান্দুনা লৈরমখিবনি হায়রি।

## ‘পামদবা থৌদোকশিং থোকহল্লক্তনবগীদমক মান্নদবা ফুরুপশিংগী মরক্তা অফবা মরী থম্বা মথৌ তায়’



কোলকাটা, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা লৈরিবা লাইনিং লাইশোন মান্নদবা ফুরুপশিংগী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা পামদবা থৌদোক কয়া থোকহল্লক্লিবা অসিদগী ঙাকথোক্নবগীদমক মান্নদবা ফুরুপশিংনা নুংশিনবগী অমদি থাজনবগী অফবা মরী অমা শেমগৎনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না মমিং লৈরবা ইকোনোমিষ্ট অমসুং নোবেল প্রাইজ পীদুনা ইকায় খুম্নবা উৎলকখ্রবা অমর্টয়া সেননা ফোঙদোরক্লি।

কোলকাটাদা পাঙথোকপা চহী নৌরিবা অঙাংশিংগী প্রাইভেট ফঙ্কসন অমদা শরুক য়াখিবা নোবেল লৌরেট সেননা ফোঙদোকখিবদা ঙকচাও থেকপা অমসুং খঙবা ৱাৎপনা মরম ওইরগা মীওইবশিংগী মরক্তা প্রোব্লেম কয়া থোকহল্লকপগা লোয়ননা অমনা অমবু হন্থনা য়েংনরকপগী থৌওংশিং থোক্লি। ঐখোয়না হিংলিবা মালেম অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংগী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদবনা মরম ওইরগা অকিবা ফংলবা থৌদোক কয়া থোকখ্রে। মীওইবা খুদিংমক খেন্নবা লৈ অদুবু খেন্নবা খরদি খঙবা ৱাৎপা অমসুং ঙকচাও থেকপনা ওইহল্লকপনি। মরম অদুনা ঐখোয়না নুংশিনবগী অমসুং থাজনবগী অফবা মরী অমা শেমগৎপগী তঙাইফদবা লৈ। ইস্লাম লাইনিং চৎপা অমদি হিন্দু লাইনিং চৎপা মীওইশিংগী মরক্তা ৱাখল্লোন মান্নদবনা মরম ওইরগা অফবা মরী থম্নবা হোৎনবদা মায় পাকপা ঙমদ্রি। অদুবু চহী নৌরিবা অঙাংশিংদা লৈরিবা খেন্নবশিং অসিগী মতাংদা ময়েক শেংনা খঙহনবা ঙম্লবদি তুংদা হৌরক্লিবা মীরোলশিংগী মরক্তা নুংশিনবগী অফবা মরী থম্বা ঙমগনি। হিন্দু অমসুং মুস্লিম হায়না খায়দোকপগী মহুত্তা পুন্না থবক তৌমিন্ননবা হোৎনগদবনি। পুন্না থবক তৌমিন্নরবা অমদি চৎমিন্নরবা মতমদা মায় পাকপা লৈবাক অমা শোয়দনা ওইগনি হায়রি।

## মীওই অমখক্তবু লাই ওইনা লাৎলবদি দেমোক্রেসি লৈররোই ওটোক্রেসিগী ফীভমদা লাক্লগনিঃ খর্গে



চিত্রাদুরগা, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী রুলিং পার্টি ওইরিবা বি জে পি অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা টার্গেট তৌরদুনা কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট মালিকআর্জুন খর্গেনা ফোঙদোকখিবদা দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক অমদা মীওই অমখক্তবু লাই ওইনা লাৎলবদি মদু দেমোক্রেসি নত্তে, ওটোক্রেসিগী থৌওং অমনি হায়রি।

কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন অমসুং দেমোক্রেসি কন্নবা হোৎনবদা লৈবাক অসিদা লৈরিবা সেক্সন খুদিংমক মরুওইনা সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেস্যুল ট্রাইবশিংনা অমত্তা ওইনা থবক তৌমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটতা লৈরিবা গুজরাটিশিংগী আইদেন্টিটি অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনগদবনি হায়না মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা গুজরাট মীখলগী কেম্পেইনশিংদা কয়ারক হন্না ফোঙদোকখি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টরনা অতোপ্পা ফুরুপশিং মরুইওনা মাইনোরিটিশিংগী আইদেন্টিটি ঙাক্লবা ৱাফমদি পন্দ্রি। ঐসু লৈবাক অসিগী লৈহাওদা পোকপা মচানি, লাক্কদৌরিবা থা খরগী মনুংদা পাঙথোক্কদৌরিবা কর্নাটাকা এসেমব্লি মীখলদা মীয়াম্না কোংগ্রেসদা ভোট পীদুনা মশানা মশাবু ঈশ্বরনি খঞ্জরিবা অমদি মহাকপু লাই অমগুম মীয়ামদা অরানবা পাউ শন্দোক্লিবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিবু মায়থিবা পীনবা হোৎনগদবনি। লৈবাক অসিগী মীয়ামনা মখোয়গী ফংফম থোকপা হকশিং ফংনবা হোৎনবদা অতোপ্পগী মতেং ঙাইদুনা লৈগদবা নত্তে। ইশাগী হক্কীদমক ইশানা খোঙজং চঙশিনগদবনি। মতমদুদা মায় পাকপা অমদি চাওখৎপগী লম্বীদা খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবা ঙম্বা ইন্দিয়া ওইগনি হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোদোকখিবদা চহী অসিগী এপ্রিল অমসুং মে থাদা পাঙথোক্লবা য়ানা লৈরিবা কর্নাটাকা এসেমব্লি মীখলদা ষ্টেট অসিদা নম্না খুন্দারিবা এস সী অমসুং এস টি কম্যুনিটিশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা কাংলুপ নাইবা পার্টি বি জে পিবু পারা তন্বীগদবনি। এস সী অমসুং এস টি কম্যুনিটিশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা থবক তৌরবদি মখোয়গী মপাঙ্গল কনবা হেনগৎলকপগা লোয়ননা হান্না লৈরম্বা ভেল্যুদগী চাং য়াম্না ৱাংখৎলক্কনি। কোংগ্রেসনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন অমসুং দেমোক্রেসি কন্নবা হোৎনরি। লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কসু ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসন অমসুং দেমোক্রেসিগী মশক অদু কায়হন্দনা থম্নবা হোৎনবদা মতেং পাঙফম থোকই। বি জে পিগী ওইনদি মীওই অমখকপু ঈশ্বর ওইনা খল্লগা লৈবাক অসিদা ওটোক্রেসিগী চৎনবী অমা লৈহন্নবা হোৎনরি হায়রি।

## পার্টিগী থবক থৌরমশিংদা য়াওদ্রবদি টিকেট পীরোই



জয়পুর, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা রাজস্থান এসেমব্লি ইলেক্সনগা মরী লৈননা মিনিষ্টরশিংনা অমুক হন্না কোংগ্রেসকী টিকেটতা মীরেপ ওইনিংলবদি পার্টিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা থবক থৌরম খুদিংমক্তা শরুক য়াগদবনি নত্রবদি মিনিষ্টর ওইরবসু পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা কোংগ্রেসকী মায়কৈদগী টিকেট পীরোই হায়না কোংগ্রেসকী রাজস্থান ইনচার্জ সুখজিন্দর সিংহ রন্ধৱানা ফোঙদোকখ্রে।

হীরম অসিগা মরী লৈননা কোংগ্রেস লুচিংবা রন্ধৱানা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিগী ওইনা পাঙথোকপা পার্টিগা মরী লৈনবা প্রোগ্রামশিং অমদি কেম্পেইনশিংদা পার্টি অসিগী মিনিষ্টরশিং শরুক য়াদবগী চাং ৱাংলে হায়বগী রিপোর্ট লৈরে। হীরম অসিগী মতাংদা রাজস্থানগী চীফ মিনিষ্টর অসোক গেলোটকসু ৱারী শানরে। চীফ মিনিষ্টরগা উন্নদুনা ৱারী শানখিবা অদুদসু মিনিষ্টর কয়া য়াওদবা থেংনখি। মরম অদুনা মতুং তারকপা থবক থৌরমশিংদা অসিগুম্বা পার্টি মনুংদা লিংজেল মান্নদবা মানবা থৌওংশিং অসি মখা তানা থোকহন্দনবা হোৎনগদবনি। মসিগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি পার্টিদগী সস্পেন্দ ফাওবা তৌবা য়াই হায়রি।

## উত্তরখন্দগী জোসিমাথ টাউনদগী মীওইশিং পুথোকপগী থবক চখ্থবা হৌখ্রে

জোসিমাথ, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
লম কোয়বা কয়াগী অমদি লাইনিংবা মীওই কয়াগী পুক্নিং চিংজিনফম ওইরিবা উত্তরখন্দগী মনুংচনবা জোসিমাথ সিটিগী ফীভম কায়শিল্লকপগা লোয়ননা মফম অদুদা খুদোংথিবা থোরকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈবনা মীওই কয়া শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকপগী থবক চখ্থবা হৌখ্রে হায়রি।

সমুদ্র ইমায়দগী ফিট ৬১৫০ ৱাঙবা মফমদা লৈবা জোসিমাথ সিটি অসি চীংগারোয় কয়াগীসু য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ওইরিবনি। অদুবু সিটি অসিদা খঙহৌদনা লম্বী অমদি বিল্ডিংশিং চেকখায়বা হৌরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা মরী লৈনবশিংনা চেকশিন থৌরাংগী থবক পায়খৎপা হৌখিবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনা সিটি অসিদা লৈরিবা লৈক্রক চৎলবা য়ুমশিং নত্রগা বিল্ডিংশিং মরী লৈনবশিংনা অঙাংবা মচুগী এক্স সিম্বোল থেৎতুনা মনাক্তা মীওই চঙদনবা খঙহনবা হৌখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা সিটি অসিদগী মীওই ৪০০০ রোম শাফগদবা মফমশিংদা পুথোকপা হৌখ্রে। সেন্টরনসু হীরম অসিদা অহেনবা মিৎয়েং চঙবগা লোয়ননা অখন্নবা এক্সপার্ট টিম অমা থাদুনা য়েংশিনবগী থবক চখ্থবা হৌখ্রে হায়রি।

## লৈচিল কা হেন্না থাবদগী ট্রেন ২৬৭ কেন্সেল তৌখি

ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিগী অৱাংথংবা শরুক্তা লৈরিবা মফমশিংদা লৈচিল কা হেন্না থাবনা মরম ওইরগা ট্রেন ২৬০ হেন্না কেন্সেল তৌখি হায়না রেলৱেগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

রেলৱেগী রিপোর্ট মতুংইন্না লৈচিল কা হেন্না থাজিল্লকপদগী ময়েক শেংনা উবা ঙম্লক্তবনা মরম ওইরগা ঙসি অয়ুক অঙনবদা চৎকদবা ট্রেনশিং কেন্সেল তৌখিবনি। পঞ্জাব, রাজস্থান, বিহার, হরিয়ানা অমসুং দেল্লিগী শরুকশিংদা ঙসি অয়ুক অথেংবা ফাওবা কা হেন্না লৈচিল থাবনা মরম ওইরগা ময়েক শেংনা উবা ফংদবদগী চৎথোক চৎশিন তৌবদা চাওনা খুদোংচাদবসু মায়োক্নহনখি। ঙসি কেন্সেল তৌখিবা ট্রেন ২২৭ অদুগী মনুংদা এক্সপ্রেস ট্রেন ৮২, পেসেঞ্জর ট্রেন ১৪০ অমুসং সব অর্বান ট্রেন ৪০ য়াওই হায়রি।

রেলৱে ওফিসলশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুংইন্না ঙরাংসু কা হেন্না লৈচিল থাবনা মরম ওইরগা ট্রেন ৩৩৫ গী মতম থেংথখি, ৮৮ না কন্সেল তৌখি, ৩১ না অতোপ্পা লম্বীদা থৈদোক্তুনা চৎহনখি অমসুং ৩৩ না মতম খরা লম্বীদা পন্দুনা লৈহনখি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা মিটর ৫০ ফাওবগী মনুংদা লৈবশিংদি খরা উবা ফংঙি মদুদগী হেন্দোকখিবদি উবা ফংদ্রে হায়রি।

## লৈবাক অসিদা কোভিদকী অনৌবা কেস ১৭০ থেংনখি



ন্যু দেল্লি, জন্যুৱারী ০৯ (এজেন্সী) :
লৈবাক অসিদা হৌখিবা পুং ২৪ দা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎকী অনৌবা কেস ১৭০ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়চৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১ শিহনখি হায়না য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিগী রিপোর্ট অমনা হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুংইন্না ঙসি থেংনখিবা কেস মশিং ১৭০ থারগা হৌজিক ফাওবগীওইনা লায়না লায়চৎ অসিনা লৈবাক অসিদা শোকহনখিবা অপুনবা মী মশিং ৪,৪৬,৮০,০৯৪ শুখ্রে। অদুম ওইনমক এক্টিব কেস মশিংদি ২৩৭১ দা হন্থরকখ্রে। অদুগা ঙসি লাইচৎ অসিনা মীওই ১ শিহনখিবনা মরম ওইরগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ না শিহনখিবা মী মশিং ৫,৩০,৭২১ শুখ্রে। লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ রিকোভরি রেটনা চাদা ৯৮.৮০ লৈরি। অদুগা এক্টিভ কেসকি চাংনা চাদা ০.০১ ওইরি। ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবা মী মশিং হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী ওগষ্ট ৭ ফাওবদা লাখ ২০ হেনখি। ওগষ্ট ২৩ দা লাখ ৩০ য়ৌখি। অদুগা সেপ্তেম্বর ৫ লাখ ৪০ য়ৌখিবগা লোয়ননা থা অসিগী ১৬ তা লাখ ৫০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অসিদা কোভিদনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখি। চহী অসিগী ওক্টোবর থা লোয়রকপা ফাওবদা কোভিদ-১৯ না শোকহনবা মী মশিং লাখ ৯০ হেনখি। মমাং চহীগী দিসেম্বর ১৯ ফাওবদা মীওই ক্রোর অমা হেন্না লায়চৎ অসিনা শোকহনখিবনি হায়রি। লৈবাক অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ভেক্সিন দোজ ক্রোর ২২০.১৪ কাপথোকখ্রে হায়রি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IRONG CHESABA**

**Ref :- Mutation Case No. 02/SDC/ICH of 2023.**
Soibam Memcha Devi W/o (L) Pabitra Singh of Leishangthem Khongmanung. -Petitioner
-Vs-
(L) Soibam Pabitra Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Leishangthem. -OPP

**NOTICE**
Irong Chesaba, the 6th Jan. 2023

Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি অরিবা পাট্টা নং: ২৮৫, অনৌবা পাট্টা নং: ৬৮১, দাগ নং: ৩৩১/৭২০, এরিয়া .১৮৪৩ হেক্তর, ইম্ফোল, রেভিন্যু ভিলেজ নং: ৮-লৈশাংথেমগী কো-পাট্টাদার নং: ২ (অনী) অসি মৃত: ওইখ্রে। মরম অসিনা লৈখিদ্রবা কো-পাট্টাদার ২ (অনী) গী শরুক .১০০৩ হেক্তর অসি নোংপোক থংবদা এপ্লিকান্টগী মীংদা পাট্টা নামা ওনশিনবীরো হায়দুনা SDC/ICH গী কোর্টতা লাক্তুনা দরখাষ্ট থারক্লে। লৈখিদ্রবা পাট্টাদারগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ চে অসিনা ফোঙখিবা নুমিৎতগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি শুবা ফাওবগী মনুংদা SDC/ICH গী কোর্টতা লাক্তুনা অইবা চেনা য়েৎলরবা য়াগনি। হায়রিবা মতম অসি ফাওবগী মনুংদা য়েৎলদ্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চখ্থরগনি তুংদা লাকপা য়েৎলরবা খুদিংমক কোর্ট অসিনা লৌজরোই।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Irong Chesaba

HL-P/5638/10